অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১২১

ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম

মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু শুমদুনা থন্বীরল্লবা শেঞ্জাও পায়বা লৈঙাক অমগী মখাদা লৈরকপা চহী কুমশিং য়াল্লে। মসি পূম্নমক মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি। অদুগুম্বা লৈঙাক অদুগী মখাদা য়াম্না ৱানা, চাক্লা খাঙলকখ্রবা মীয়ামনি। মতম অমদা মীচম মীয়াম্বু অৱা অনা তাহনবগী থৌওং কয়া মনীং তম্না চখুরম্বসি কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা ওইরম্বদু হৌজিক্তি মাগী মতম শুরদুনা লোইশিনখ্রে। মসি ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুরসু অমনি। অদুবু মাগী মাগী মতম লোইরদুনা ঙসিদি ইন্দিয়াদা বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা, অহোংবা, অওনবা লৈঙাক অমা থুংলদুনা বি জে পিগী নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক্লি। বি জে পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাক্লম্বদা লাংজিং চীংগী চীংমাংদা মখৌ পোংনা লাউরম্বশিং ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোক্লব্রা? ৱাহংনি পাউখুমগীদমক মণিপুর মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইরিবা। কয়াম কুইনা ঙাইখিগনি। বি জে পিগী লৈঙাক মণিপুরদসু লৈরবনিনা লৈঙাক অসিনা থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াদব্রা? মসিমক মীয়াম্না লেপ্তুনা হংনরিবা ৱাহংনি।

মণিপুরদা বি জে পিগী অনৌবা লৈঙাক লাকপদা পাঙথোক্কনি লাউরম্বা থবকশিংগী মনুংদা খরা পাঙথোক্লবসু মপূং ওইনা পাঙথোক্তনা লৈরিবা থবকশিং অসিনা করম্বা মতমদা পাঙথোকপীগদৌরি। মীয়াম মমাঙদা মখৌ পোংনা পাঙথোক্কনি হায়না লাউরম্বা থবকশিং পাঙথোক্তবসি মীয়াম্না পেন্নরমগদ্রা। মতম অমদা শেঞ্জাও পায়বা পোলিটিকেল পার্টি অসি কোংগ্রেস ওইরম্মী। অদুবু ঙসিদি শেঞ্জাও পায়বা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা বি জে পিসু অমা ওইরে। শেঞ্জাও পায়বগী হিদান্নবদা মতিক চাবা পোলিটিকেল পার্টি অমসু হিমালয় চীংজাওগুম মীয়াম মমাঙদা চাউনা লেপ্লরে। মীওইবগী থম্মোয় শেলনা হেক হেক খুদুম চনবসি ঙসিদি তরাইবা ওইদ্রে। শ্রী বিরেন্না লুচিংবা মণিপুরগী বি জে পিগী লৈঙাক চহী অমগী মথক্তা হৌজিনখ্রে। মণিপুর মীয়াম ঙসিদি তোঙান তোঙানবা ইস্যু হায়বদি নাগাগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট, আই এল পিগী ঈহৌ, বোর্দর পিল্লর অমদি এম য়ুগী ৱাথোক্তনা মীয়ামগী পুন্সি তংদু লৈতানা লৈবা ঙম্নদ্রে।

মথক্কী ৱাথোকশিং অসিনা শ্রী বিরেনগী লৈঙাক্তা য়ৈররিবা চৈথেং তরাই তরাইবা নত্তে। নাগাগী ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অসিদি কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদগী মতম শাংনা নুংদা ফুমজিন্নরক্লবা ফোঙদোক্লদনা ওমদুনা লৈরক্লবা ৱাফমনি। মসিগী মথক্তা মমাঙথক্তা ৱাফম কয়া লৈজরবসু থবক ওইনা হেক্তা পায়খৎলকপা হায়বসিদি হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পুরিবশিং অৱাফমদা তাবা তাবনি। মরম অদুনা সেন্তরদা লৈরিবা বি জে পি অমদি ষ্টেট অসিগী বি জে পিনসু খরা হেন্না খন্তবা মতমনি। মসিগী মতাংদা ষ্টেটকী লীদর ওইরিবা শ্রী বিরেনগী লুচিং মখাদা লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংনা ফাওবা মত মান্নদবা ৱাফম লাকপসিদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা তাবা তাবনি। অদুবু মণিপুর মীয়ামগী ইহুল খঙনা পায়খৎপীদ্রবদি মৈরিক্তগী মৈজাও ওল্লক্তুনা মণিপুর তুম্না মাঙননবা শিনবীদবা ফৈ। লৈঙাক পায়রিবশিংনা মশা মশাগী ফম কোন্দুনা মশাগীতা খনবগী মহুত্তা লমদম অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা থুংহনবসু মথৌ তাই। মণিপুর মৈ হৌদুনা চাক্লকপা মতমদা ঐদি মন্ত্রিনি, এম এল এনি হায়দুনা নাথৈদুনা লৈবা খক য়ারোই।

মসি পূম্নমক্কী মথক্তা মতম শাংনা ঐখোয়গী থৌনা ফরবা নহারোল কয়াগী মরক্তা ফুমদুনা থম্নরকপা ৱাফম কয়া লৈতবা নত্তে। পীকখ্রবা মণিপুর মীশিংসু য়ামজদবসিদা লালহৌবগী তোঙান তোঙানবা লূপ কয়া লৈরিবশিং পূম্নমক্কী মথক্তা লাইরিক লাইশু মতিক চানা খঙ হৈরবা, আইনগী মরমদা লৈঙাক্কী নুং পান ফাওনা খঙ হৈরবা কয়া, থবক ফংহৌদ্রবা নীংবা কায়রবা কয়া পরেং লেংদুনা লৈরবসিদা লৈবাক ঈরাং থোকপা হায়বসি পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি। নাগা লালহৌ লূপ অমগী পেন্নবা হোৎনবদা সেন্তরনা মীয়ামগী মায়োক্তা থবক ওইনা ঈহৌ শাগৎহনবসিদি পূম্নমক্কী ওইনা অৱাবা তামিন্নগনি। মরম অদুনা সেন্তর অমদি ষ্টেট অনীমক্লা তুংগী মীরোলগীদমক পিছ ওইনা লীনসু শিনবা চৈশুসু তেক্তনবা হোৎনবা মতমনি। মতাংসিদা সেন্তরনা মণিপুরবু থওইদবগী ময়েক শেংলবা কয়া মথং মথং থোরকহনবসিদি অফবা খোঙথাং ওইগনি নীংদে। খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা এম য়ুগী ভি সীগী ৱাথোক ফাওবা তাইশিন্নবগী মহুত্তা হেন্না হেন্না চাউথোকহনবসিদি সেন্তরগী বি জে পিনা মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টি ওইরিবা বি জে পিবু থৌশাদবগী ককপা য়াদ্রবা ৱাফম অমনি।

শ্রী বিরেনগী বি জে পি লৈঙাক্লা ঙাঙবগী মহুত্তা থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু। লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিং অমগা অমগা কোক চুংশিন্নবীয়ু। মন্ত্রি খুদিংমক নীং তমহনবা হায়বসি ঈরাংগী মথক্তা ঈরাং থোরক্লবা ওইনা থোক্কনি। ঙসিদি লৈঙাক অসি অরুবা তাঙ্কক অমদা লৈরে। মমাঙথক্তা নরেন্দ্র মোদিনা মখৌ পোংনা লাউরম্বা কয়া থবক ওইনা ওন্থোরক্তবগী মথক্তা শ্রী বিরেন্না চীংদা চৎসি হায়বা ফজরবা থৌরম পুথোরকপগী মতুংদা খুঙ্গং চৎসি হাপচিল্লকই। তাবদদি ফজবা থবক ওইনা ওন্থোক্তবগী মমাঙথক্কী পোলিটিক্সকী পারা মীয়াম্না ফজনা খঙনরবনি। ঙসিগী ২১শুবা চক অসিদি কম্প্যুটর খম থেংনা চাওখৎলবনিনা ওইদবা ওইরোইদবা ৱাফম পুশিন্দুনা মীয়ামগী থাজবা মাঙহঞ্জনীংদে। চীংদা চৎসি হায়বসিমক কদায় য়ৌনা থবক ওইনা ওন্থোক্লবগে হায়বসি তম্মীশিংনা থিগৎনরিঙৈদা খুঙ্গং চৎসি হায়বা ফজরবা থৌরম অমা পুথোরকপা থাগৎনীংঙাইনি। পূম্নমক থবক ওইনা কাঙলোন চুম্না পায়খৎপীরক্লবদি মীয়ামগীসু হরাউজগনি। খ্বাইদগী লুরিবদি খুঙ্গংগী প্রধান, মেম্বর খুদিংমক অয়াম্বনা নহা ঙাক্তনি। মতম শাংনা খুঙ্গংগী অমোৎপা কয়া মমুৎ তানা খঙদবশিং পূম্নমক বি জে পিগী থৌশিলনা খুঙ্গংগী কাচিন কোয়াদা লমলেম, লমহাং কয়াবু লম খোপচিনরকপনা লম্বী থোং, ইরম-নালা লৈশিল্লক্তবা কয়াবু মরী লৈনবা এস দি সী, আমিন অমদি মরী লৈনবা খুঙ্গংগী অহল লমনশিং কৌথোক্লগা কদাইদা, করিদা লান্না লম খোপচিনবগে হায়বা থিদোকমীন্নগদবসু লম খোপচিনবশিংগী মথক্তা করি তৌবা য়াবগে হায়বা থিগৎপীগদ্রা হায়রগা থবক ওইনা করিসু পায়খৎপীরক্তবা শ্রী বিরেনগী খুঙ্গং চৎসি হায়বগী ৱাহন্থোক লৈগদ্রা? খুঙ্গং চৎসি হায়বসি খুঙ্গং খরদি চৎখিবগী পাউ তানরক্লে। খুঙ্গং খুঙ্গংদুদা মীয়ামগী অপাম্বা ফজবা থবক করি করি পায়খৎপীরল্লবগে হায়বা ৱাহং খরদি মশীং খঙদনা লৈরি। খুদম ওইনা মশক থোক্লা খুদোনবীনা থিন্দুনা তাক্লবগী মহুত্তা শ্রী বিরেন্না মরী লৈনবশিংদা চেক তৌবিয়ু।

ঙসিদি খুঙ্গংগী মফম খুদিংদা ঈথৈ লৌখোং ফুনজিনখিবদগী লৌমী কয়া হায়নীংঙাই লৈতনা ৱানরে। লম্বী কয়াসু লম খোপচিন্নদুনা খোংবালশিং ফুমজিনখিবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মসি পূম্নমক খুঙ্গং খুঙ্গংগী মরী লৈনবশিংদা মাঙজৌননা পাউ পীবীদুনা খুঙ্গংগী লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈজদ্রবশিংনা মশা মশাগী য়েংদুনা মীয়ামদা অকায়বা থোকহল্লিবশিং খুঙ্গং চৎসি থৌরমদা চ্যেক তৌবীয়ু।

মপূং ওইনা লমগী ৱাথোক খুদিংমক অমত্তা তরাইরোই। ঙসি মণিপুরগী লমগী ৱথোক বোর্দর পিল্লরগী হৌরকপা ঈহৌ মরক্তা খুঙ্গং খুঙ্গংদা লমগী ৱাথোক শোয়দনা থোরক্কনি। খুঙ্গংগী লম্বী খুদিংমক নোংজু থাগা ওইবনে, শ্রী বিরেনগী লৈঙাক মতমসিদা খুঙ্গং খুঙ্গংগী লম্বী শেম্বীদবগী অৱাবা কয়াদি মীয়াম্না মায়োক্লরি। বি জে পিগী লৈঙাক অসি তুং কোয়না চৎনবা মশক থোকপা থবক খরদি তরু তরুনা পায়খৎপা তাবনি। লৈঙাক পায়রিবা শ্রী বিরেনগী বি জে পিগী লৈঙাক অসি ঙসিদি মৈথক্তা ফম্বগা মান্নরে। মতাংসিদা এম য়ুগী ৱাথোক ষ্টেট মনুংগী ৱাথোকনি। মসি ফাওবা লোইশিনবা ঙমদ্রবদি মীয়াম্না করম্না লৈঙাকপু থাজবা ঙমগনি।।◀◀

ময়াই কাবা পোৎলমদৈ নহারোলগী পুন্সি কনবা

ইবুংঙোম্না নিংথেমচা

ময়াই কাবা পোৎলমদৈ নহারোলগী মমল য়াল্লবা পুন্সি কন্নবা পান্বে ময়াম অমা লৈ, মদুশিংদু তশেংনা হোৎনবীগদবানি, খরদং চানব্রা চুমব্রা হয়না হোৎনরল্লগা অমুক থওইবীদ্রবদি হেন্নদুম মদুনা অৱাবা ওইগল্লি।

তশেংনা অহল-লমন, নুপা নৎত্রগা নুপী খুন্নাইগী ফনবতা খঞ্জরিবা কৎথোকপা, পূক্লিং হকচাং শেংজবা মতিক ময়াই লৈবা ঙসিগী খুন্নাইসিগী মীওইশিংনা মতিং লৈনা মপাঙ্গল মরৌশিংনা ঐখোয়গী হয়েংগী তুংগী য়ূম্বীরেল ওইগদৌরিবা ইনখৎলক্লিবা নহা ওইবশিংবু ময়াই কাবা পোৎলমদা লাইচুখিদনবা হোৎনবীবা তঙাইফদে। ময়াই কাবা পোৎ-চৈ চাবা থকপদা পূক্লিং হকচাং লুপহল্লোইদবনি। পুন্সি অসি অফবা কৎথোকপা, অমকপা লৈতবা লমচৎ-শাজৎ, চাকচা য়াহিপ ফৎতবা হৈনবী য়াওদবা, থকসি-খাসি ঙাকপা ইমা ওইবীশিং, নুপী ওইবীশিং কয়াদা অঙাং অহল খাক্তনা নত্তবা মীৎয়েং য়েংদবা ঐখোয়গী খুন্নাইগী মায় ওইজরিবা ফম্ফমসিদা নিংথিনা থমদুনা অতোপ্পা লৈবাক্লা ইকায়খুম্নবৈ মশক ওইহনবসিসু ঐখোয়না হোৎনজবৈ মওং মতৌদা লৈরিবনি। ঙসিগী নহারোল ঐখোয়না লাইওইখ্রবা থৌনা ফরবা অহল-লমন লৈবাক্কীদমক, মীয়ামগীদমক মালেমদা অচুম্বে লমদা চঙশিন্দুনা মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মমা লৈবাকপু কন্নবা হোৎনখিবা খ্বাই খিবিক্তুগী ৱারী লাইরিক্তা পূক্লিং চিংশিন্দুনা মতৌ তমজনবা হোৎনবা তাবনি। করম্না ময়াই কাবা চীঞ্জাক মহি-মপং-মনম চিংশিনবা, য়োৎশিনবা থাদোকহনগদগে হায়রবদি নক্ল-লৈমিন্নরিবা মীওইনা মরুওইবা থৌদাং লৌগদবনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরিবা খুদিংমক অয়াম্বনা তপশিন্নৈ, নোল্লুকপা শাজিন্নৈ, লাপথোকএ হায়রগা মখোয়না হেন্না শিংবদৌনা অনৌবা থাজদবা মওংগী পান্বে লৌশিং শীজিন্নৈ। খুদম ওইনা, মমা-মপাদদি অফবা পোৎ-চৈ লৈনবনি; ঐ ফরবনি হায়রগা শেনফম খরা লৌরগা মতমগী চুনবা মশক খঙবা ৱারবা মীরৈবাক্তি লোন্না নৎত্রগা অথিংবা মীওইশিংদগী নত্তবা পান্বে শীজিন্নরগা ময়াই কাবা অপিকপা পোৎ-চৈ পুরক্লগা লৈকাইদা পোৎ অদুবু মতিক ময়াই তাক্লগা লৈকাইগী মচিন তুমখৎলক্লিবা অফবা নহা কয়া মাঙহন্দবা নত্তে। হৈজদ্রদি মদুদা লাইচুবা কয়া শিখ্রবা মতুংদা তকশি শোল্লি ইচাদো লোন্না চাবা য়োৎপা তৌরিবদো খঙহৌদেদা শোঞ্জবা মমা-মপা কয়া লৈতবা নত্তে।

মরুওইবদি মমাশিংনা মচাবু লুনা কেথোক্লা য়োকপা য়াওই । মপা ওইবশিংদৈ মমাশিংনা হেন্না মচা ময়াই কাবা পোৎ চাই চাদে খঙফম থোকই। খঙনা খঙনা মীয়াম খঙহনবদা ইকায়বদগী লোৎশিনবা অসিনা হেন্না তুংদা মচা ওইবশিংগী পুন্সি খাঙুথক্তা মাঙই। মান্নবা খুন্নাইগী ৱাখল অশেংবা অচম্বা পুন্সি মরেল, ইরৈপাক্কী মরমদা অখঙবা উহৌবা তাহৌবা ৱারী শিংবুন তৌবীবা, ফুঙ্গাদা মপা মচা মমানা চাক থোংলিঙৈ ৱারী তৌনবা, অফবা ৱা-পাউ পাউরৌ তাকপীবা লমচৎ-শাজৎ মাঙথরকপা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা থকপনা থোকহনবা অমাঙবা ঐখোয়গী লৈপাক্কী ঙমখৈ মাঙলকপা অশিংবা শাদুনা লমখৈ শম্বল খাজিল্লকপা ময়াই কাবা চারি থক্লিঙৈ অপং লাইচুরিঙৈ শাজেল-কাঙলোন খঙদদুনা শেলনা ময়াই কাবা পোৎ লৈচাদুনা লৈরিঙৈ পুমমাঙ মাঙলবনি, করিম লৈশিল্লক্ত্রবনি ঐখোয়গী শকফম মায়থোং ঐখোয়গী ওইনা উশিল্লক্ত্রে। ইচে ইচন মাগী মাগী মপুরোইবগা চৎমিন্নবদা মপুরোইবনা মপাল লমগী মায়থোংদা শেম-শাবদৈ মী অতোপ্পা মানবা য়াওনরে । শম, কোই ফিভম চাদনা পামজরে হায়দুনা পংশেম শেম পংখাক খাক তৌবদা মীগী মীতৌ তন্বী হঙোই মরিন শুৎ শাৎ তারে । অৱাবনি ফজরবা য়েলহৌমীগী শক্তম ইশাগী ওইবা হন্দোক-মীগী মশক শেম ওন্থোকপনি পাম্মুজৈদকো। হকচাং শাজেল তৌগদবা খোঙনা চৎকদবা ইপা ইপুগী মতৌ নীংশিংগদবা থিনা খৎনরসু অহলনা খুরুম খারম তৌনহন্দুনা তাইশিন্নৈদো মলোম থম্নদেদো।

ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবদৈ লাপথোকপনা চাম্মদা চাম্মা ফারবনি । অফাওবা লৈবাক নীংবা মীওই মপোক্কী ৱারী তোয়না লাইরিক লৈদুনা পাগদবনি। পূক্লিং থৌগৎকদবনি । লাইরিক্কী পুক্কেশঙদা অফবা লাইরিক থমদুনা পূক্লিং লৌশিং ফনবা তৌগদবনি। অমুকসু য়েংউ ময়াই কাবা পোৎলম লল্লোল্লগা শেঞ্জাও পায়বা ওইনবা হোৎনরিবা কয়া অমগী লমচৎ শাজৎ, ইমুং মনুংগী ওইবা চৎন-লোনচৎ কায়থরকপা উদবা নত্তে। ঐখোয়গী খুন্নাই কায়থরক্তনবা মরুওইবা পান্বেদি শূব-নোম্বা তন্দবা পাঙ্গল লৌশিং ওইগদবা চীঞ্জাক (ময়াই কাদবা) চাগদবনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাববু ফনবা চাদনবা তৌবীবদা মায়কৈ খুদিংদগী মতেং পীফম থোকই। মহৈ তম্ফমশঙদা লাইরিক লাইশু তাকপীরিবা/তাকপীরিবী মখোয়না ময়াই কাবা পোৎলম চারোইদবনি। লমচৎ-শাজৎ থকসি-খাসি চৎন-লোনচৎ, চাকচা য়াহিপ খুদিংমক তাকপীগদবনি। ময়াই কাবা চাবশিং/চাবীশিং অচুম্বা লম্বীদা চঙলক্লবা কান্নদবা ময়াই কাবা পোৎলম খুদিং ঐখোয়লমদা থোকপা. মীরমদৈ পুশিল্লকপা পূম্নমক শীজিন্নদবনা ফগনি তাকপীগদবনি। মাঙথরক্লিবা খুন্নাইসিনা ৱাখল তাবীদুনা ঐখোয় ময়াই কাবা পোৎ-চৈদগী থাপ্পা লৈরসি হায়না লাউমিন্নগদবনি, মীয়াম তিন্নফমদা অমদি লোয়শঙশিংদা। অচুম্ববু অরানবা তাহনবীবা মপুনা - চৈরাক পীগনি কিদ্রা-হুরান লোন্নাদা ফৎতবা পোৎ ময়াই কাবা চাগনু অচুম্বা তৌ অচুম্বা খল্লু। ৱায়েল লোয়শঙগী অহকপা চৈরাক ৱাখল তানা খঙহনবা মথৌ তাই। লৈকাইগী মী তিন্নফমদা ময়াই কাবা পোৎ চা-থক্তনবা হায়বা ৱারোল ইরগা থেৎপা কান্নগনি। অকি-অকিবা লায়না ফত্তবা পোৎ চাবদৈ পোকই হকচাং মাঙনিংঙাইনি তাকপা ৱারোলসু থমগদবনি। মমাঙঙৈ পুৱারীনা অশেংবা তাক্লিবনি, ঐখোয় নীংতম্না চাবা মরাং কায়না কনাগীসু মীখা পোন্দনা পাল্লকপা মরোমদোম হিংজরম্বা লৈবাকনি। অদুবু লমদম অসিদা কদোমদৈ শিৎচিল্লকপা মফম মরাং খঙদবা নুংশিৎ অমনা পুল্লোই লোইশিল্লগে য়োৎশিল্লগে মতাগুম ঙসিদি লৈবাকসি মশা পূম্বা শুম চাশিল্লবা অমগুম উহল্লি । ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা চীং-পাৎ তুরেল, শা-ঙা হৈরাং লৈরাং, উপাল ৱাপাল, ঈশিং নুংশিৎকী খল ঙাক শেল্লগা মহৌশাগী ফজবা মাঙহন্দনা থম্বনা ঐখোয় তুংকোইনা পানগনি। লৈবাক নিংথৌ লৈরি খঙনা চৎন-কাঙলোন থুগায়দনা অথৌবা অথৌবী ইপা-ইপু, ইবেন-ইবেম্থৌ কয়াগী থৌনা লৌশিং মার খোঙ্গুল লী, অমতা ওইবা লিংজেলদা অকনবনা অচুম্বা শকপা য়ূমদাংবনা কৈনাবা তৌহনগুমসি ইমা ওইবী ইমা ইচন-ইচেগী ইকায়খুম্নবা অচুম্বা লমচৎ শাজৎনা ঙাক্লসি।

মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগী মীৎয়েংদা উহল্লসি ঐখোয়গী ইপা-ইপুগী ঈগী মরী লমচৎ শাজৎ অচুম্বে শিবফাওবা মীখা পোনবা হৈনদবা থৌনা লিংজেল মসি খঙনা ঐখোয়না হিংনবা হোৎনবদা ইজ্জৎ কনগদবনি অচুম্বনা মমৈদা লাকচরক্কনি, ময়াই কাবা পোৎলম থাদোকউ - মীৎতগী পী তানা খা-চিক্লা ৱাশক পরৈ থম্মু ঐনা ঙসিদগী ময়াই কাবা পোৎ অমফাও চারোই থক্লোই হায়না। অদুদদা মহাও খঙহল্লিবা লৈবু মায়থীবা পীদুনা ময়াই কাবগী মহাও হুন্দোকউ । ময়াই কাবা পোৎ লৈবা য়োনবা, চাবা থকপদা থম্বা ঐখোয়গী ওইবা ৱায়েল অকনবা চৈরাক্লা লোয়ননা মৈ পায়বদা কিবগুম অকিবা ওইহনগদবনি । নুংশিনবা লৈমিন্নবা মচিন মনাও অমতা ওইবা ৱাখলদা শান্ন-খোৎনবদা মালেমগী লৈবাকশিংনা শোন্নগদবা ওইহনগদবনি, ঐখোয় ইশানা ইশাগী ইকায়খুম্নবা ঙাক্কদবনি। ঈরৈপাক্কী ঙমখৈদা মমাঙদগী হৌরকপা খুদিং অহকপা মীৎয়েং থমগদবনি, পোৎয়ানগী চীঞ্জাক্লা ঐখোয়বু তপ্ন-তপ্না শিহল্লক্লিবা অসিসু অহকপা চৈরাক পীগদবনি। তৌশিন্নরগা তিন্নশিন্নরগা মোইথেম তৌদুনা মোই চঙলকপদৈ ঙাকথোক্কদবনি। মহোয়দি য়ূমদাং কৈনাবা হৈবনিকো। ঐখোয় লমগী ঙমখৈ মাঙবা য়ারোই, ঐখোয় ময়াই কাবা পোৎ চা থক্তুনা লৈথোক্লুমসি মাঙদা চঙশিনসি ঐখোয় কনাবু কিগুমসি অচুম্বা লম্বী চৎসি অচুম্বা হায়বা লাইদুতবু কিসি লাইরবদৈ খমথেংনা লাইরবা ঐখোয়গী ইচিন-ইনাও লোইজি লোইয়াদা লৌবুক্কী খাঙপোকশঙদা অশেংবা মালং নুংশিৎকী ঈপোমদা লৌবুক লৌয়াদা অহিং-মীংশেল খাং লৈরিবনি।

লাইরিক পাবা ফংহনসি পূম্নমক মখোয় ফরগা লোইনা ফরক্কনি। হান্না লৈজরম্বদৈদি য়াম্না পিকশিল্লকপা মানবা ঙমখৈগী মতাংদা নীংশিংদুনা লৈরগা অচেৎপা ৱাখলদা ঐখোয়গী ওইবা অচুম্বা, নুংঙাইবা তপ্ন-ইংনা পানবা ওইরসি, ময়াই কাবা পোৎলম খুদিং লৈবাকসিদৈ মরু ফুক্তুনা লংথোকখ্রসি য়াইতোং খমতোং কয়ানসু ঐখোয়গী ইরম লীক্লম কনবদা মখোয়গী অচৌবা ঈরৈচাশিংগা লোয়ননা চৎমিন্নবা মথৌ তাবনি খঙগদবনি। মনা-মশিং, হৈ-রা চাদুনা লেনবা ঙল্লবদি য়াম্না ফবনি; ময়াই কাবা পোৎ চানিংলরোই।

ঐখোয়গী নহারোল ময়াই কাবা পোৎলমশিংদৈ কল্লসি অনৌবা খুন্নাই অমা, ইপা-ইপু, ইবেনগী ৱা ঙাক্লসি, মীতৌ তম্বসু তোক্লসি। লোয়শঙদা ময়াই কাবা পোৎলম পুশিন্দুনা লোন্না চা-থকপা থিংলসি। মালেমদা ফাওরবা লৈবাকশিংগী মহৈ হৈরবা কয়াগী মতৌ তম্বদা পূক্লিং থল্লসি । নুংঙাইবনা তোল্লবশিংবু য়োৎশিনবীবা ফুরা দলাননা লায়র খাঙপোক্কী লম লৈহনখিদবা পূম্নমক মায়োক্লসি থেংনসি, শু-নোম্বা কনসি পূক্লিং লৌশিং ঙান্না লৈসি। লৌবুক লম্মাং চীংয়া তময়া ঙায়োক ঙাকোন চীং-পাৎ কল্লসি ময়াই কাবা চা-থক্তুনা লৈরিঙৈ মীনা ঐ-ঐগী য়ূম্ফম মুনখ্রনি অমতা ওইবগী লিচিংদা লৈসি। ইমা লৈবাক্লা মায় পাক্লে মালেমদা শক্তাক্লি ঐখোয় লৈ হায়বা তাকখিনি মতম চুপ্পে। ময়াই কাবা চাব-থকপা মীওইদি মায়থীরে মখোয় খঙজরে, তৌররোই হায়রে। অশেংবা ঈ চেন্দুনা ফজবা মমি তাহনগদবনি। মায়থোং মকা লাম্বা মোমোন নোকপা শকফম অয়েংববু পেলহল্লি। ফজবা লমচৎ শাজৎ ঙাক্কদবনি। অফবা চাগদবনি। মৈখু-হিদাক থাদোক্কদবনি। চীঞ্জাক ফগদবনি।

অরোইবদা ঐখোয়না হকচাং ফনা পুন্সি শাংনা লেনবা পাল্লবদি হিদাক শীজিন্নদবা তমগদবনি। পূক্লিং নুংঙাইনা লৈনবা হোৎনগদবনি। অরৈবা অমসুং অফংবা খরনা পেনবা তমগদবনি। হকচাং অসে মপুগী শঙলেনগুম্বনি কনামত্তনা শাবা ঙমদে। মহৌশাগী কাঙলোন কায়বনা হকচাংদা শেমগৎ-শাগৎপা হন্থরকই থুনা হন্থহল্লি চারিবা চীঞ্জাকসুনি অৱা-অনা অৱাবা নুংঙাইতবা ৱাখল কল্লক মিহৌ পূম্নমক হকচাং মাঙনিংঙাইনি। ময়াই কাবা পোৎ-চৈ চাবনা খুন্নাইদা নত্ত-নত্তবা মীহাৎ মীপুন তৌহৈদবা কয়া তৌরক্লিবা অসি খঙগদবনি মসিদগী ঐখোয় কলহৌসি। ঐখোয়না ঐখোয় কন্দনা কনা লাক্তুনা কনবীরনি। হকচাং ফনা থমসি মরুপ মপাং তিন্নবা চেকশিনসি। ইনাক খুল্লগা শেল পায়রগা অফবা লম্বীদা চৎলসি খুন্নাইগী মতেং হেন্না ওইরনি ফত্তবদা হিদান্নবা তোকসি। হকচাং ৱাখল পূক্লিং শেংনা লৈসি।

ইরৈপাক্কী পোক্লফম লমদমসিগী ওইবা
মদোম লোইজবা লৈঙাকলোন হঞ্জনবদি
থেংদি থেংমল্লে য়াদি য়াগনি এদভোকেট য়াম্না খঙ-হৈবা

অহৈবা অমা লৈরবদি মরুওইনা মালেমগী মীওইবগী হিংজবৈ হোৎনবৈ মায়কৈদা মথৌ খঙবা, খঙহৈবা অখাঙ কনবা মহাক্তো অদুগুম্বা অমগী ‘মথৌ তাই’ হায়রম্বদো। অদুনা ঐখোয় ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবৈ মহুৎ শু নোম্বা কনসি; মতম লৈত্রবনিদো।।◀◀

মীখলগী নোমুনা

এম থম্বৌ সিংহ

ইন্দিয়াগী মীখলদা শেল য়াম্না পায়বনা মীখল থেংনবা শেল খরা পায়দবনা মীখল মায়পাকপা ঙমদবা অসি তশেংনা লৈপাক্তা খূৎতুম্না থারবা ৱাফমনি। ঐখোয় য়েংশি ঙসি অপিকপা পার্টি লোকলগী পার্টি ওইজসনু ফুরুপকী ওইবা পার্টিসু ওইজসনু পার্টিগী ফন্দ মরাং কায়দবনা মীখলদা লুপা খাওজাও খাওজাও থাদনবা লৈতবনা মীরেপ মশীং য়াম্না থাদোকপা ঙমজদে মদুনা মরম ওইরগা মীখলদা মায় পাকপগী চাংসু নেম্মি। অদুগা অমরোমদা শেল বোরা বোরা পৈদুনা মীখলগীদমক থম্বা ঙল্লিবা অসি ঐখোয়গী লৈমাই অসিদা মরু ওইবা পার্টি অনী খক্তনি। মীখলদা ফ্রি এন্দ ফেয়র ওইহনবা হায়বসি শেল পায়বা কাঙবুগা মীখল লম্বা তৌবা অসিদি অৱাবা কয়া মায়োক্লে। মীয়ামসি পুকচেল শেংবা অমসুং ৱাখল তাবা য়াম্না ৱাৎনরকই। মসিগী মরু ওইবা মরমদি শেলগী লাংদা ইতৎ তৎতনা থুই। মসিদগী নাম্থোকপা ঙমজদে। অদুনা অশেংবা তরু তরুবা মীখল পাঙথোকপা কৈদৌঙৈদা ঙমদে। মীখলগী অনৌবা নোমুনা কয়া হোংদোক্তুনা অফবা অওনবা লমদম অমগী অশা তৌরগনি হায়না লাউরিবা অসি মখোয়না হোংদোক্কদবা নোমুনাশিং অদু ঐখোয়না খঙদুনা উদুনা লৈরবা ঙাক্তনি, অঙকপা ঙাক্তা তৌরক্কনি। মীখল কাঙলোন চুম্না অমদি অরানবা য়াওদনা পাঙথোকপা হায়বসি মরু ওইনা মীয়ামগী খুৎতা লৈরিবনি। করিগুম্বা মখল অমত্তগী কেম্পেন তৌনদবা, মীয়ামনা মীখলগী লাংবা, চাবা-থকপা তৌনদবা, মীখলদা থোকনীংবা মীরেপসু থোক্লকসসু ঐখোয়না য়েংবা য়াবসি মহাক কমদৌনা শেল তান্দুনা শেল পায়রকপনো, মীয়ামগী থাজবা থম্বা য়াবা মীরা, মীখলদা মায় পাক্লবদি করি করি তৌরকপা ঙমগনি হায়বনচিংবা কন্না নৈনবা ইশানা খল্লগা, মানা মনিল নাইদনা য়াম্না চিক্লা ইংনা মীখল পাঙথোকপা অদু ওইরবদি মীখলগী মতমদা মীরেপ্পা শেল হেন্না চাদিং তৌররোই। শেল তিংদনা মীখল মায় পাক্লবনিনা মহাক মীয়ামগী থাজবা মাঙহল্লরোই। মীরেপ খুদিং মীয়ামগী খুৎতা লৈ হায়বসি খঙহনগদবনি। মখোয়না মীয়ামগী খূৎতা লৈ খঙলবদি কৈদৌঙৈদা মখোয় মনীং তল্লোই। মখোয়গী মরাইবক মীয়ামগী খূৎতা লৈবনা মীয়ামবু মখোয়না লায়না লৌবা ওইথোক্তে। মীরেপ্পা ঐখোয়বু অহাও অথুম খরা পীজরগা অমদি শেল খর পীরগা মখোয়না হায়বা খুদিং ইয়া য়াজগনি খনবা অদু ঐখোয়গী মীয়াম্নসু থাজবা ৱাখল পরিং অমনা মখোয়দা ঐখোয় পঙদে হায়বা খঙহনগদবনি। অদুগুম্বা থৌওং অদু মীয়াম ঐখোয়দা লৈরবদি মচং ওইবা মীরেপ শোয়দনা থোরক্কনি। ঙসি ঐখোয় য়েংশি মীখল থেংনগে খনবা খুদিং, মখল কয়াগী করবার তৌবা অরোনবা খঙদে অফোংবা খঙদে শেল কন্না তাল্লগা মতুংদা মীখল থেংনগে খনবনি। পুন্সি খোঙচৎ অসি মীওই খুদিং লল্লোনবা লাকপনি। অদুগা লল্লোনবদা মীনা খ্বাইদগী ইকায়খুম্না শেন্দোং মরাং কাইনা ফংবা অসি মীখল থেংনদুনা মীখল লল্লোনবা অসিনি। অদুনা অতোপ্পা লল্লোনবা কয়া তৌবদা পেল্লক্ত্রদুনা মী লল্লোনগে খল্লকপনি। তশেংনা মশাগী মতম মাঙনা মশাগী মরন তিংথোক্লগা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থৌগল তৌগে খনবা মীগী মশীং য়াল্লোই। মীওইবা মশাগী ওইজবা থিবনা মশীং হেন্না লৈবনি। মীগী ফনবা খনবা অথোইবা মীগী মশিং য়ামদবনি। ইন্দিয়াগী মীওই কোটি কয়া অসি মীয়ামগী থৌগলগী খনবা মীওইরক্তগী অথোইবা ঐখোয়না য়াম্না তাঙনা থেংনৈ। ঐখোয় য়েংশি মালেমদা মীয়ামগী থৌগলদা পুন্সি লোমখিবা মীওই কয়া শুখিবগে। অদুনা মীয়ামগী থৌগলগী মিংদা মশাগী ঈজৎ অমদি ইকায়খুম্নবা তানবদা ঙাওরবা মীওইনা অয়াম্বনি। করিগুম্বদা কৈথেলদা থোকপা পোৎ ঐখোয়না অফবা মগুন লৈবা পোৎতমক খল্লবদি ঐখোয়গী অপাম্বা মতুং ইন্না মমল য়ামগনি শেল য়াম্না তিংগনি। শেল শিকি তিংদনা অফবা মগুন লৈবা পোৎখক্তমক খল্লগা ঐগী ওইবা য়াবসি মীখলনি। মীখলদদি অফবা মগুন য়াওবা পুকচেল শেংবা মীয়ামদা মীনুংশিগী ইরিক খিকপিবা অতোন অতা লায়রবগী মরুপ ওইবা ঙম্বা মীওইদু খল্লগা মায় পাকহদুনা মীয়ামগী শক্তি শিন্নবদা ঐখোয়না লুপা অমা তিংদনা খনবা য়াই। হায়রিবা অসিগী ওন্নতৈনবদা ঐখোয়না শেল পামলুরবদি খুদোং থীবা, লৈপাক মরা চেৎতবা চাওখৎ লম্বীদা মনিংহনবা, মীয়ামগী কোক্তা খূৎ হাপ্নগনি। অমরোমদা দিমোক্রেসি হায়বসি লৈপাক্কী লৈঙাক কাংলোন মীয়ামনা নাকোইননা ঙাকপনি। মসিদা মীয়াম ৱাখল তাবা য়াম্নমক মরু ওই। মীয়ামনা ৱাখল তাবা ৱাৎলবদি দিমোক্রেসি অসি খুদোং থীনীংঙাই ওই। মীয়াম ঐখোয়না ৱাখল তাদ্রবদি ঐখোয়না লৈঙাক তৌজগদবা ওইবনা ঐখোয়না মতিক চাদ্রবদি মতিক চাবা লৈঙাক লাকহনবা ওইথোক্তে। ফজখ্রবা দিমোক্রেসিগী ৱাহনথোক অসি চাওখৎপা ৱাৎপা মীয়ামগী মফমদদি ফজবা পুন্নমক অরেম্বা ওইহল্লি। পুন্নমক অসি য়েংলুগা ঐখোয়গী মীয়াম অমা ক্লব কয়া, সী এস ও কয়ানা দিমোক্রেসিগী চৎনবী অমদি মসিগী মীখলগী মওংগী মতাংদা তৎতনা এৱ্যেরনেস পাঙথোকপা অঙকপা ফংনা কান্নবা ফংগনি। অদুবু অদুগুম্বা ক্লব নৎত্রগা অশিন অরাংগী কাঙবু অদু মচু লৈতবা ন্যুট্রেল ওইনা লৈবা ওইফম থোকই। অসিগুম্বা অসি লৈরবদি লমদম অদু তপ্না তপ্না ফরক্কনি। অসিগুম্বা অসি ঐখোয়গী লৈপাক অসিদদি চেকশিনবা খরা অদুম ৱাৎলি।

অমরোমদা ঙসিগী লুচিংবা অমদি লুচিংবা ওইরগে খনবা খুদিংনা মমাঙগী মতমদা লুচিংবীরম্বা কয়া অথোইবা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা মীয়াম অমগী থৌগলদা কৎথোকখিবা মীওই কয়াশিংগী লিক্লম অদুনা অমদি মখোয়গী পুন্সিনা খোঙলৌ খুৎলৌদনা কাখিবা কৈরাক অদুদা কাবা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই। অসুম্না অদুগুম্বা অফবা লুচিংবা কয়াগী মথক্তা অতোপ্পা অনৌবা নোমুনা কয়াসু হাপচিনগে খন্না থবক তৌনীংবগী অপাম্বসু লৈফম থোকই। অসিগুম্না খনবা মীহুৎ অদুনা মতুংগী মীখলগী থোইনা ৱানিঙাই লৈরোই। অমরোমদা ঐখোয়গী মীয়ামগী ৱাখল অমা লৈ। মানা ভোট কাখ্রগা ঐখোয়না করি কান্নবা লৈগনি অদুগী মহুৎ শেল মতিক চানা লৌরগা ভোট পীগনি। অমুক মায় পাক্লবা মীহুৎ অদুনা অমুক মমল পীরগা ভোট লৈদুনা কাখ্রবনিনা মশাগী শেল হনজিন্নবা হোৎনবা অসিনি মসিদা লানবা অমা য়াওরি লাল্লিবা অসি কনানো? করিগুম্বা মীয়ামগী লৈকায়গী, খুঙ্গংগী য়াইফনবা থবক কয়া তৌবিরক্লবদি মদু ঐখোয় পুন্নমক্কী কান্নবনি অমদি অফবা থবকনি। ঐগী ইমুংগী অফবা তৌবিরক্তে হায়দুনা মীদু ফত্তে হেক্তা হায়বা য়াবা নৎতে। ঐগী ঐগী ইমুংগী কান্নবা তৌরদে হায়দুনা মীয়াম অমগী থৌগল ফজনা তৌজরিবা অমবুসু হেক্তা লান্না উবা চুমদে। অমরোমদা ইমুং খুদিং মীখলগী অফ-ফত্তগী মরমদা খন্ন নৈনবা য়াম্নমক কান্নবা ফংগনি। করিগুম্বা ঐগী মীদি ওইবা লুচিংবা ওইবগী মগুনদি চেন্দবা অদুগুম্বা অদু ঐগী মীনি খন্না শৌগৎপদি তীল চঙবা উহৈ চাবনি। অদুনা য়েক্লবা ওইসনু লুচিংবা ওইবদা মতিক চাগদবা অদুগুম্বা মীদা শৌগৎপদি অমুনবা ফজবা উহৈ চাবনি। অমরোমদা মীখল লাকপা অসিদা অচৌবা কুমহৈ অমা ওইনা উবা অমসুং মসিবু নুংঙাইবা ফেষ্টিবেল ওইনা লৌবা অরানবনি। মসিগী ৱাখল অসিসু থাদোক্লবদি তপ্না তপ্না শোয়দনা ফরক্কনি। অমনা চীংগী মীখলগী চৎন-কাঙলোন অসিসু মীখলগী থৌ পুরিবা কয়ানা কুপ্না য়েংবা অমা চঙই। চীংগী মীখলদি অয়াম্বনা চুম্না চৎপা ঐখোয়না উখিদ্রি। মসিসু য়েংশিনবা চঙই।।◀◀

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৭

১। মৈতৈ ঐখোয়গীসু কুইরবা মতমদগী থাজৎ (কেলেণ্ডর) পাবা শীজিন্নরক্লে।
(ক) নোংমবু শরুক ৮ থোক্লা খায়দোক্লগা শরুক অমবু করি কৌবগে?
(খ) চাউরাক্লা নোংমদা মৈতৈ পুংশিং কয়া লৈবগে?
২। “নহাক্কী নুংশিরবা কুহু খোঞ্জেল তাবদা/নীংশিংলক্লে ইরৈবাক, মরুপ মপাং নুংশিবা।” পরেং অনীসি কবি ইরাবতকী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। “ঙসিতমক খঙলকই/অঙাঙবা মচুগী ফজবা/অদুবু/চিংলি লেপ্তুনা/লম্বীসিনা ঐবুদি।” পরেংশিং অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎকী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। “অনৌবা ঊনাগা/ঐগী পূক্লিংগা/অয়ূক খুদিংগী/তত্তনা খৎনৈ।” পরেংশিং অসিনা ‘নিংঙাই’ কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক ‘লমহাংগী মালং মহাক্কী শমলাঙ’ কৌবা অদুগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।